
# ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, শ্রীকান্থ অমসুং প্রনিট প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

নানজিং, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) ঃ
চাইনাগী সিটি নানজিংদা চথরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু, নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় কিদম্বী শ্রীকান্থ অমসুং সাই প্রনিট প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। অদুবু ঐচ এস প্রনোই প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় ফিত্রিয়ানি ফিত্রিয়ানিবু ইকোম কোল্লা ২১-১৪, ২১-৯ দা থোইখি। রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ঙসি মহাক্কী অহানবা মেচ শান্নখিবনি।

সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিগা শান্নখিবা অহানবা গেম অদুদা সিন্ধুনা ঙন্না পোইন্ট মাঙজিল থাদুনা ১১-৭ তা লৈখি। ব্রেক্কী মতুং সিন্ধুনা মখা তাবা পোইন্ট ৬ থংন-থংননা লৌদুনা ১৭-৭ তা হেন্দুনা লৈরবা মতুং ফিত্রিয়ানিগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ৭ খক লৌরক্লগা সিন্ধুনা গেম অদু ২১-১৪ দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা সিন্ধু পোইন্ট খরা শোত্থদুনা শান্নবা হৌখি। গেম অদুগী ব্রেকতা মহাক্না ১১-৫ দা অমুক্কা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং গেম অদু ১১-৯ দা লোইশিন্দুনা প্রী ক্বার্টরদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা রেঙ্ক শান্নরোয় সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যনগা লম্না তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৫ শান্নরোয় কিদম্বী শ্রীকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী পাব্লো অবিয়ানগা লম্না তৌনরকপদা গেম অহুম চঙনা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা গেম শ্রীকান্থনা অবিয়ানবু ২১-১৫ দা থোইখি। চহী ২৫ শুরবা ইন্দিয়া মচা কিদম্বী শ্রীকান্থনা মমাঙগী চহীদা টুর্নামেন্ট মরিগী টাইটল লৌদুনা য়াম্না ফজবা থাক অমদা হাইগৎলকপা ঙমখি।

ঙসিগী অনীশুবা গেম অদুদা কিদম্বীগী অশোনবা মায়কৈ খরদা অবিয়াননা খুদোংচাবা লৌদুনা ২১-১২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ অদুদা শান্নরোয় অনীমক গেম অমমম থোইনদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদদি শ্রীকান্থকী মায়কৈদগী ফজবা হেনগৎলকখি। অদুবু পাব্লোনা গেম অদুগী ব্রেকতা শ্রীকান্থতগী পোইন্ট ২ হেল্লগা ১১-৯ দা মাঙজিল থাখি। শ্রীকান্থকী মশান্না হোংদোরকখি। মখা তারকপদা মহাক্না পাব্লোবু হীরম খুদিংমক্তা হেঞ্জিন্দুনা দিসাইদিং গেম অদু ২১-১৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক হয়েং মলেসিয়াগী শান্নরোয় দারেন লিয়ুগা লম্না তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিটতা স্পেনগী এল ঈ পেনালবরবু ২১-১৮, ২১-১১ দা মায়থীবা পীদুনা হয়েং প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্ককী ঐচ কে ভিটিংগসকা লম্না তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ১১ শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোই ব্রাজিলগী মমীং কা হেন্না লৈবা শান্নরোয় অমা নত্তবা য়িগোর কোহোগী মখুৎতা গেম ১-২ দা মায়থীবা নংখি। অহানবা গেম প্রনোইগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা খুদুম চনবা মওংদা শান্নদুনা ২১-৮ দা থোইখি। অদুবু ব্রাজিলগী কিহো দি ওলিভিয়েরাগী মায়কৈদগী মশান্না হোংদোরক্তুনা প্রনোইবু লাকশিনবা ঙমখি।

২ শুবা গেম অদু ব্রাজিলগী শান্নরোয় অদুনা ২১-১৬ তা থোইদুনা দিসাইদিংদা লম্না তৌনখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা প্রনোইবু ওলিভিয়েরানা ২১-১৫ দা থোইদুনা প্রনোই প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা ঙসি অনীশুবা রাউন্দ শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সমির ভর্মা চাইনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৯ লিন দানগী মখুৎতা ১৭-২১, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদি অমসুং অশ্বিনি বোনাপানা জর্মনিগী এম লামস্ফুট অমসুং আই হরট্রিকপু ১০-২১, ২১-১৭, ২১-১৮ দা থোইদুনা প্রী ক্বার্টরদা মলেসিয়াগী এস জে লাই অমসুং এস ঐচ বোগা থেংনরগনি।

# মণিপুর মচা বিপিন মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লবতা চহী অনী শান্নরগনি




মুম্বাই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) ঃ
লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ সীজনগী ওইনা মুম্বাই সিটি এফ সীদা মণিপুর মচা বিপিন শান্নরগনি।

মশাগী চহী ২৩ দা ঙাইরিবা বিপিন ৱাফা ৱাঙ্গোই ক্লবতগী মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ক্লব ওইনা শরুক য়ারকখি। মদুগী মতুং চহী ৩ লৈরগা মণিপুরগী ফুটবোলদা মমিং লৈবা ক্লব অমা ওইরিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতা শরুক য়াখি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা মেঘালয়াগী ক্লব অমা ওইরিবা শিল্লোং লাজোংদা মহাক্কী প্রোফেস্নেল ফুটবোল শান্নরোয়গী করিয়র অমা শেম্না ঙমখিবনি।

বিপিননা শিল্লোং লাজোং ফুটবোল ক্লবতা চহী ৫ শান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এথলেটিকো দি কোলকটাদা আই এস এলগী করিয়র হৌখি।

মিদফিল্ডদা হৈথোই-শিংথোইবা মশান্না উৎখিবা অদুনা বিপিনবু মুম্বাই সিটি এফ সীনা এথলেটিকো দি কোলকটাদগী লৈখিবনি। হৌখিবা আই এস এলদা বিপিননা এথলেটিকো দি কোলকটাগী মায়কৈদগী মেচ মরি শান্নবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা মহাক্না গোল অমসু চনখি।

মুম্বাই সিটি এফ সীনা এথলেটিকো দি কোলকটাদগী বিপিনদা চহী অনীগী কনট্রেক্ট ইনখ্রবা মতুং টিম অসিগী লাক্কদৌরিবা সীজনগীদমক অনৌবা শান্নরোয় লৌবা লোইরে হায়না ক্লব অসিগী মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হন্দক্কী সীজন অসিগীদমক মুম্বাই সিটি এফ সীনা বিপিনতা নত্তনা অনৱর অলি, সুবাসিস বোস, মোহম্মদ রফিক অমসুং সোবিক ঘোস নৌনা টিম অসিদা হাপচিনখিবনি।

মমাঙগী সীজনদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী টিম য়াম্না ফজবা ঙমখিদে। টিম অদুনা মেচ ১৮ শান্নখিবদা শুপ্পগী মেচ ৭ খক মায় পাক্তুনা লীগ অদু লোইশিল্লকপদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি। অদুবু অনৌবা সীজন অমা লাকপদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া হাপচিন্দুনা টিম অসিনা মতম অমদা আই এস এলগী টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবা মশান্না অদু অমুক হন্না লাক্কনবা ক্লব অদুগী মায়কৈদগী শেম-শাবা পুম্নমক হৌদুনা অকনবা ট্রেনিং চথরি।

# সেরিনা ৱিল্লিয়মস সেন জোস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা জোহানা কোন্টাগী মখুৎতা মায়থীখ্রে



লোস এঞ্জেলিস, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ
যু এস এগী সিটি লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এ সেন জোস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা বৃটেনগী শান্নরোয় জোহানা কোন্টাগী মখুৎতা যু এস এগী মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী সেরিনা ৱিল্লিয়মস মায়থীখ্রে।


গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৩ গী মপু ওইরিবী সেরিনা ৱিল্লিয়মস ঙরাং বৃটিশকী নম্বর ৱান শান্নরোয় লোয়ননা সেন জোস টুর্নামেন্ট অসিগীসু মমাঙদা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী জোহানা কোন্টাগী লম্নাদা শুপ্পগী গেম অমখক থোইবা ঙমখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মতুংদা শান্নরোয় অনীমক অহানবা ওইনা সেন জোস টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারকপনি।

চহী ১০ হেন্না নুপীগী টেন্নিসতা লম্না লৈরমদ্রবী সেরিনা ৱিল্লিয়মসকী মশান্না অদু ঙরাংদি য়াম্না অশোনবা শান্নরোয় অমগী মওংদা শান্নখি। ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুদা সেরিনা ৱিল্লিয়মস ফাইনেল য়ৌদুনা জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবরগা শান্নবদা রন্নর্স অপ তাহৌবনি।

সেন জোস টুর্নামেন্ট অদুগী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোয় সেরিনা ৱিল্লিয়মসপু জোহানা কোন্টানা সর্ভিস ব্রেক ৬ রক তৌখি। মদুগী মথক্তা সেরিনা ৱিল্লিয়মসকী মায়কৈদগী মশা মথন্তা শোয়জবা সোট ২৫ য়াওখিবা অদুনা মহাক্কী মশান্না অদু য়াম্না নেম্না থাক্তা লৈখি। অহানবা সেট জোহানা কোন্টানা সেরিনা ৱিল্লিয়মপু ৬-১ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদুদা গেম অমফাওবা থোইবা ঙমদনা ৬-০ দা মায়থীহৌবনি।

মায় পাক্লবী জোহানা কোন্টানা কুম্নজা ২০১৬ তা সেন জোস টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি ষ্টানফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা সেরিনা ৱিল্লিয়মসকী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীরগা করিয়রগী অহানবা দব্লিয়ু টি এ টাইটল ফংখি। ২ শুবা রাউন্দদা কোন্টানা সোফিয়া কেনিনগা শান্নরগনি।

# এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা গোল্ড মেদল ফংননবা রেষ্টলর সুসিল কুমার জোর্জিয়াদা চৎতুনা ট্রেনিং তৌরুরগনি



মুম্বাই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) ঃ
মতম শাংনা রেষ্টলিং মশান্নদা শরুক য়ারুদ্রবা মতুং মমিং লৈরবা ফ্রীষ্টাইল রেষ্টলর সুসিল কুমারনা জোর্জিয়াদা নুমিৎ ১০ নিগী ওইবা ট্রেনিং অমা চৎতুনা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংননবা হোৎনগদৌরি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্নৱেল্থ গেমসতা কেজি ৭৪ গী কেটিগরিদা গোল্ড মেদল ফংদুনা মহাক্কী রেষ্টলিং করিয়র অদু অমুক শেমগৎপা হৌরকখিবনি।


কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা কেজি ৬৬ কী কেটিগরিদা সিলভর মেদল ফংখিবা সুসিলকুমারনা জোর্জিয়াদা চৎকদবা নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা শেম-শাবা টুর অদু রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী অয়াবা য়াওরগা চৎকদৌরিবনি।

মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখ্রবা লোয়ননা এসিয়ন চেম্পিয়নসু মকোক থোংখ্রবা সুসিল কুমার এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমদ্রি। কুমজা ২০০৬ কী কতারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুদা মহাক ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

চহী ৩৫ শুরবা কেজি ৬৫ কিলোগ্রামদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা সুসিল কুমারনা ইন্দোনেসিয়া এসিয়া গেমস অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি। কুমজা ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা সুসিল কুমারনা কেজি ৬৬ কী কেটিগরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিংগী পুৱারীদা অচৌবা লমায় অমা থম্না ঙমখিবনি।

সুসিল কুমারনা জোর্জিয়া খোঙ-শান্দ্রিঙৈ মাঙওইননা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না জোর্জিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং অদু নোংমনা ৱেটকী ট্রেনিংনি অদুগা নোংমনা বাউটশিংগী ট্রেনিং ওইগদৌরিবনি। মফম অদুদা মহাক্না মখল কয়াগী স্পারিং পার্টনরশিং ফংগদৌরি। টর্কি অমসুং অজরবৈজানগী রেষ্টলরশিংসু ট্রেনিং লাক্কদৌরি।

# য়ূম্বু ইংলেন্দনা সাউথ কোরিয়াবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে






লন্দন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ
ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকপা হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ গী ঙরাং অথেংবদা শান্নবা ক্রোস ওভর (প্লে ওফ) মেচতা য়ূম্বু টিমনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইংলেন্দগী টিম ৱর্ল্ড কপ অসিগী হৌরকপদা পুল বিদা আইরলেন্দ, যু এস এ অমসুং ইন্দিয়াগা পূন্না লম্না তৌরকপনি। মদুদা মখোয় আইরলেন্দগী মথংদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ক্রোস ওভরগীদমক ক্বালিফাই ওইরকখি।

ঙরাং অথেংবগী মেচ অদুদা টিম অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা মায় পাক্তবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা মেচ অমা ওইখি। ইংলেন্দগী শান্নরোয়শিংনা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদা অহানবা ক্বার্টর অদুদা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা শান্নবগী ৯ শুবা মিনিটতা টিম অদুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অদুগী বোল অমা সাউথ কোরিয়াগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লক্তুনা সোফি ব্রেনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লবা মতুং অনীশুবা ক্বার্টরদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং ইক্বেলাইজর ফংনবা ইংলেন্দগী হাফতা বোল হেন্না পুশিন্দুনা ইংলেন্দগী শান্নরোয়শিং অদুবু তকখায়বা হৌরকখি। ইংলেন্দগী গোলকীপর মেদি হিন্স অমদি টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা সাউথ কোরিয়াগী এটেকশিং অদু অরেম্না তাহনখি।

অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল মাঙজিল থানা চৎলিবা ইংলেন্দগী টিমগী মায়কৈদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং লম্না মান্ননা থেঙ্গায়নরকখি।

নাকল অমরোমদা টিম অনীনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা লাক্নরকপনি অদুগা অমনা মায়োক্নবা টিম অদুনা পাঞ্জল চন্দনবা অমদি মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনরকখি। মিনিট ১৫ গী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকখি। মেচকী অরোইবা ক্বার্টর অদু শান্নরকপদসু টিম অনীমক অহানবা ক্বার্টরদা লৈখিবা স্কোর অদুদগী শেমদোকপা ঙমখিদে।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মেচ অদু লোইগদবা মিনিট ১ তা ঙাইরবা মতমদা তকশিল্লকখিবা এটেক অমদা বোল অদু সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্তুনা পেনালটি এরিয়াদা লিলি ওস্লেনা য়ৈশিন্দুনা মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। সাউথ কোরিয়াগী টিম উপাই লৈখিদে। ৱর্ল্ড কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ূম্বু ইংলেন্দগী টিম হয়েং মমাঙগী চেম্পিয়ন নেদরলেন্দসকা লম্না তৌনরগনি।

# এসিয়ন রোদ রেসিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী রাজিব সেথু অমসুং এ দি সেথি য়াওরগনি



চেন্নাই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ
টামিল নাদুগী সিটি চেন্নাইদা লৈবা শ্রীপেরুমবুদুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই এম এসিয়ন রোদ রেসিং চেম্পিয়ন্সিপকী মরিশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চেন্নাইদগী হৌখিবা রাজিব সেথু অমসুং বেঙ্গালুরুদগী হৌখিবা অনিস দামোদরা সেথি শরুক য়ারগনি।

এসিয়ন রোদ রেসিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা রাউন্দ অনীদা চহী ২৪ শুরবা সেথিনা ১৫ শুবা পোজিসন তাদুনা পোইন্ট ২ ফংবা ঙমখি। অমরোমদা সেথুদি মহাক্কী অহানবা পোইন্ট অদু ফংনবা হোৎনগদৌরিবনি।

মখোয় অনীমক এসিয়া প্রদক্সন ২৫০ সী সীগী হোন্দা রেসিং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অতোপ্পা ৬০০ সী সী অমসুং ১৫০ সী সীগী ক্লাসতসু লম্না তৌনগদৌরি। থাইলেন্দ, জপান, মলেসিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী রেসরশিংসু শরুক য়াগদৌরি।

# কোটিফ কপতা ইন্দিয়াগী য়ু-২০ গী টিম মোরিটানিয়াগী মখুৎতা মায়থীখ্রে

কোটিফ, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ
স্পেনগী সিটি কোটিফতা পাঙথোকপা চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম অফ্রিকাগী টিম অমা ওইরিবা মোরিটানিয়াগী টিমগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-৩ দা মায়থীবা নংখ্রে।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী টিম অসিনা থা অসিগী ৩০ দা অহানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা স্পেনগী মুরসিয়া অন্দর ২০ টিমগা শান্নবদসু পাঞ্জল ০-২ দা মায়থীবা নংখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী কোচ ফ্লোইদ পিন্টোনা মুরসিয়া ফুটবোল টিমগী মখুৎতা মায়থীখিবা মেচ অদুদা রেদ কার্দ ফংখিবা জিতেন্দ্র সিংহ অমসুং অনৱর অলিগী মহুৎতা সঞ্জিব ষ্টেলিন অমসুং মণিপুরদগী হৌখিবা জেক্সন য়াওহনখি। শান্নবগী মিনিট ২০ শুরকপদা কেপ্টেন মণিপুরদগী হৌখিবা অমরজিৎনা পাঞ্জল ওইরম্না য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙহনখি।

মোরিটানিয়াগী অহানবা পাঞ্জল ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭০ শুবা মিনিটতা টিম অদুনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনখি। শান্নবা লোইগদবা মিনিট ১২ রোমতা ঙাইরবা মতমদা অফ্রিকাগী টিম অদুনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী টিম অদুবু ২-০ দা থোইখি। মথং ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অর্জেন্টিনাগী টিমগা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা ৱাফা বোইজ চেম্পিয়ন্সিপতা জোর্দানগী টিমবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



অম্মান, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা ২০১৮ এ এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম-শাবা ওইনা জোর্দানদা পাঙথোকপা ৱেষ্টর্ন এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (দব্লিয়ু এ এফ এফ) বোইজ চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াবদা ঙসি য়ূম্বু জোর্দানগী টিম অদুবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা শরুক্তা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। টিম অসিগী কেপ্টেন বিক্রম সিংহনা ৪৩ শুবা মিনিটতা কাউখিবা ফ্রী কিক অমা পাঞ্জল ওইদুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা জোর্দানগী টিম অদুবু মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ রোহিৎ দানুনা পীশিল্লকপা পাস অমা কেপ্টেন বিক্রম সিংহনা অমুক্কা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০ দা লৈখি। নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অদুনা ৭৩ শুবা মিনিটতা ফংখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হেট-ট্রিক ফংখি।

মেচ লোইগদবা মিনিট ৬ ৱাৎলিঙৈদা বেকি ওরামনা পুশিনখিবা বোল অমা জোর্দানগী গোলকীপর অদুগী ওই থংবা মায়কৈদা য়াম্না শাফু কন্না কাউশিন্দুনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি। ইন্দিয়াগী টিমনা মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিদা চাইনা, জপান অমসুং য়েমেনগা লম্না তৌনগদৌরি।

# অহানবা শিন্তাকপুরেল নীংশিং মনা ২০১৮ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসন (এ এম সী এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী ১৪ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অহানবা শিন্তাকপুরেল নীংশিং মনা (গ্রান্দমাষ্টর ট্রোফি) ২০১৮ পাঙথোক্লগনি। ট্রোফি অসিদা পূন্না মনা ২০ ওইবতা নত্তনা মীওই ১৬ না স্পোন্সর তৌরি। স্পোন্সরসিপ অসিগী মনুংদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী লাইফটাইম স্পোন্সর এম এল এ থোকচোম শ্যামকুমারনা ওইরগনি।

গ্রান্দমাষ্টর ট্রোফি ২০১৮ অসিদা শরুক য়ানিংবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী শিন্দমশঙনা এ এম সী এগী ওফিসতগী নৎত্রগা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিদগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। হায়রিবা ফোর্ম অসি থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা এ এম সী এগী ওফিসতগী নৎত্রগা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিদা পীশিনবসু য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

গ্রান্দমাষ্টর ট্রোফি ২০১৮ অসিগা মরী লৈননা অকুপ্পা মরোল খঙনিংবা মীওইশিংনা এ এম সী এগী ওফিস অমসুং এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ হেমজিৎ মীতৈদগী খঙলবা য়াগনি হায়না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ হেমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com